# সী সী মীট হায়বসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি



(হান্নগী মখা...)

মহারাজ বোধচন্দ্রনা অপোকপা মপাবুংগী মমিংদা অচৌবা শিল্ড অমসু কৎতুনা সী সী মীটকী ৱিন্নর ওইবা টিমদা পীদুনা লাকখি। অহানবা ওইনা মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা পাঙথোরকখিবা সী সী মীটকী ফাইনেলদা ফোর্থ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকা মণিপুর এলেভেন টিমগা শান্নখি। মদুদা ফোর্থ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখি।

কুমজা ১৯৫০দগী হৌরগা চহী খুদিংগী ওল ইন্দিয়া সার চুড়াচান্দ সিং কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পরিং কাইদনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরক্তা খুদোংচাদবা খরদগী লেপ্পা চহী খরবুদি য়াওখি। অদুবু লেপ্পুরবসু য়াশিন্নবা পুরক্তুনা ঙসি ফাওবা সী সী মীট ফুটবোল টুর্নামেন্টতি অদুমক চথরক্লি।

কুমজা ১৯৫০দগী মথং মথং তৌরকপা অদুনা মনা মথুম পীবগী মতাংদসু ট্রোফি মশীং হেঙ্গৎলকখি। কুমজা ১৯৫৬তা মহারাজ বোধচন্দ্রগী মচা ইবুংঙো মহারাজ কুমার টুটেন্দ্র সিংহনা সনা তুলা মঙাগী ময়ায়দা গোল্ড প্লেট ওইবা শিল্ড অমসু সী সী মীটকী ৱিন্নর টিমদা পীননবা কৎলকখি।

লোয়ননা রন্নর্স-অপ তাবা টিমদা পীনবা রন্নর-অপ ট্রোফি (সিল্ড) অমসু এম ৱাই খাননা মহাক্কী অপোকপা মপা রাজ বহাদুর খান দুরানীগী মমিংদা নীংশিংবা ওইনা দোনেট তৌরকখি। অসুম্না মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা রোল্লিং ট্রোফি কয়াসু কৎনরক্তুনা সী সী মীটকী মগুণ হাপকৎলকখি। চহী খুদিংগী মপানগী টিম খরসু লাক্তুনা শান্নবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরকপনা ফুটবোল মশান্নবু পামজবা থৱায় য়াওবা মীওই কয়াসু পীক পীক থন্না তিন্দুনা সী সী মীটকী তোঙানবা মহাউ অমসু লমদমসিগী মীয়ামগা চুশিন্নদুনা লাকখি।

অমরোমদা, লোকল ক্লব কয়াসু ফুটবোলগী ৱেভ অমা লাকপগা ইরোইননা লৈকায় লৈকায়গী ওইনা ফুটবোল টিমশিং শেমগৎনরকখি। হৌরকপা মতমদা তপ্পা তপ্পা লাক্লগসু চহী ইকান কান্নদনা মণিপুরগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা অচৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরকখি। শুপ্পগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ ওইবা টিমদা সিল্ড অমমম পীরগা হৌদোরকখিবা টুর্নামেন্ট অসি চহী খরগী মতুংদদি চাউরাক্লা রোল্লিং ট্রোফি ১০ রোম হাপচিন্নরকখি। হায়রিবা ট্রোফিশিং অসিনা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অনৌবা ইনোৎ অমসু পীবা ঙমখি। ট্রোফিশিং অদুদি মথংশিংনা অহানবদা ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র (মেন) কেস প্রাইজ লুপা ৫,০০০ (কৎপীরকপা লৈখিদ্রবা এলাংবম ইবোহল, ফিফা রেফ্রি, অনীশুবদা ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র (ৱিমেন) কেশ প্রাইজ লুপা ২,০০০ (কৎপীরকপা কে বারুনি, অহুমশুবদা ফ্যের প্লে সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ২,০০০ (শ্রীমতি ঙাঙোম ওংবী সুবদনিনা লৈখিদ্রবা মাগী মপুরোইবা এন জি জয়দত্ত, বিরচক্রবু নীংশিংদুনা কৎপীরকপা), বেষ্ট গোলকিপর ওফ দি সী সী মীট কেস প্রাইজ লুপা ২,০০০ (এ গোরশ্যামনা লৈখিদ্রবা মচানুপা এ পেলেন্দ্রবু নীংশিংদুনা কৎলকপা, ১৯৯৯দগী), বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ২,০০০ (অকোইজম বিরেন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মচানুপা এ কে বাইরোনবু নীংশিংদুনা কৎলকপা, ১৯৯৫দগী), টোপ স্কোরর ওফ দি সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ২,০০০ (শ্রীমতি নান্দেবম ওংবী বিনাপানীনা মাগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা এন চিত্রবু নীংশিংদুনা কৎলকপা), বেষ্ট কোচ ওফ দি ইয়র কেশ প্রাইজ লুপা ৫,০০০ (শ্রীমতি ৱারিবম ওংবী মেমচানা মাগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা দল্লিয়ু কামিনীকুমার, সাইগী ফুটবোল কোচ ওইবিরম্ববু নীংশিংদুনা কৎচবা), বেষ্ট দিফেন্দর ওফ দি সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ৫,০০০ (শ্রীমতি কোন্সম তরুবী অমদি মাগী ইমুং মনুংনা লৈখিদ্রবা কোন্সম অচৌবু নীংশিংদুনা কৎচবা, ২০০৮গী, বেষ্ট রেফ্রি ওফ দি সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ৫,০০০ (লৈখিদ্রবা চোঙথাম বেনুধোরবু নীংশিংজদুনা মহাক্কী ইমুং মনুংনা কৎচবা), মেন ওফ দি ফাইনেল মেচ ওফ দি সী সী মীট কেশ প্রাইজ লুপা ২,০০০ (এ মনাওনা লৈখিদ্রবা মচানুপা এ সুরজিৎ মৈতৈবু নীংশিংদুনা কৎচবা) নি।

অদুগা সী সী মীট অসি হৌরকপা মতমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন্না অশিন অরাং ওইদুনা পাঙথোক্লম্বদগী মথং মথং চঙশিল্লক্তুনা কুমজা ১৯৭৩দদি এ এম এস এ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী য়ুনিট মেম্বর অমা ওইবা ঙম্লকখি।

-মথং-মথং

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**সী সী মীটতা মীৎয়েং অমা**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৯


১) চুড়াচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা পীরিবা অচৌবা সিল্ড অদুগী ময়ায়দা টুলা মঙাগী সনা মপাক অমা হাপ্পী। সনা অদু কনানা কৎপনো?

২) মহাক্কী মপুবোক ওলেম্পিক্কী সেলিংদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাকসু সেলিংদা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমদি মখুরানা শেন্বা টিম অমনা সেলিং টিমগী থৌরম অমদা ওলেম্পিক্তা অনীশুবা মনা ফংখি। মহাক্কী মচানুপা অমসুং মচানুপী ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা শরুক য়াই। মহাক কনানো?

৩) অফ্রিকা ষ্টার হায়না খঙনবা মনা (টকমান) অদু ফংখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাভারতকী মতুং ইন্না মখাদা পীরিবশিং অসি রেষ্টলিংদা খ্বাইদগী হৈবা নুপাশিংনি
(১) কিচক (২) ভিম (৩) দৃষ্ট্রারাষ্ট্রা (৪) জরাশনধা (৫) ভিরাট নিংথৌ (৬) কর্ণ মখোয়গী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা রেষ্টলিংদা হৈথোই শিংথোইদবা অমা য়াওরি। মহাক অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু। মহাক করম্বা মশান্নদা স্কুলগী চেম্পিয়ন ওইখি।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০ নিংথৌকাবা, নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ঈ সী বিনা কুমজা ২০২০দা ১০০-বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌদোক্কদৌরি

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি) : ইংলিস ক্রিকেট বোর্দ (ঈ সী বি) না কুমজা ২০২০দা অহানবা ওইনা ১০০-বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌদোক্কদৌরি। হায়রিবা ১০০-বোল ফোর্মেট টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না শরুক য়ারবা য়ারি।

ফোর্মেট অসিগী ওইনা ইন্নিংস খুদিংগী বোল ১০০/১০০ লংনগনি। হৌজিক হৌজিক ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা য়াম্না পাম্নরক্লিবা টি-২০ ফোর্মেট অসিদগী হেন্না নুংঙাইহনগদবা ফোর্মেট অমসু ওইহনবা য়ানা লৈরি। ইংলেন্দগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী লমায়দা অহোংবা অমা লাকহনগদৌরিবা অসিগীদমক হীরম কয়াদা কৃপ্পা খন্নবা হৌখ্রে।

ঈ সী বিগী চীফ এগজিক্যুটিভ টোম হরিসন্না হায়খি, ১০০-বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌদোক্কনি হায়রিবা অসি



অনৌবা ৱাখল্লোন অমনি। মসিনা ক্রিকেট মশান্না অসিবু হৌরক্লিবা নহাশিংদা হেন্না পাম্নহনবদা নত্তনা মখোয়গী মীৎয়েং চিংশিনবদসু মতেং ওইরগনি হায়খি।

## ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৬কী য়ুথ ওলেম্পিক বিদ তৌবদা শরুক য়ারগনি




ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন্না কুমজা ২০২৬কী য়ুথ ওলেম্পিক্স অমসুং কুমজা ২০৩২গী সম্মর ওলেম্পিক্সকী বিদ তৌবদা শরুক য়ারগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। মসিগীদমক ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচ য়াওনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী প্রসিদেন্ট নরিন্দর ভত্রনা হায়খি, এসোসিএসন অসিনা ইভেন্ট অহুম হায়বদি ২০২৬ য়ুথ ওলেম্পিক্স, ২০৩০ এসিয়ন গেমস অমসুং ২০৩২গী ওলেম্পিক্সকীদমক বিদ্দিং তৌগনি। ঐখোয়না হায়রিবা ইভেন্টশিং অসি লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কনি নৎত্রগা পাঙথোক্লোই হায়বদি ঙমদে। অদুমকপু হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিগী য়ূম্বু ওইবা ঙমব্রা হায়বদুদি য়েংবা তাবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা আই ও সীগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচনা হায়খি, অচৌ অচৌবা ওলেম্পিক্কী ইভেন্টশিং য়ূম্বু ওইবগী মতিক-ময়াই অদু ইন্দিয়াদা লৈ। অদুমকপু আই ও এনা বিদ্দিং প্রোসেস অসি হৌরকপা ঙাইবা মথৌ তারি। আই ও এনা ফ্যুচর য়ুথ ওলেম্পিক্স অমসুং সম্মর ওলেম্পিক্সকী য়ূম্বু ওইগে হায়বগী ৱাখল্লোন অসিবুদি পূক্লিং থৌগৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

তরেৎশুবা হরাওরৌ ট্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## টি এ ৱাই সীনা মোন্বী এফ সীবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস) : য়ুথ মোর্দন ক্লব হরাওরৌনা শিন্দুনা ৱাই এম সীগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা তরেৎশুবা হরাওরৌ ট্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি এ ৱাই সী তাঙ্খম অৱাং লৈকায়না মোন্বী এফ সী খুন্দ্রাকপমবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা তরেৎশুবা হরাওরৌ ট্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৩৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী টি এ ৱাই সী তাঙ্খম অৱাং লৈকায় অমসুং মোন্বী এফ সী খুন্দ্রাকপম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম হায়বদি মেচকী অনীশুবা মিনিটতা টি ৱাই এ সীগী জর্সি নম্বর ৫ টৈনমাসনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি। মোন্বী এফ সীগী মায়কৈদগীসু অহানবা হাফ হৌরকপদা টি এ ৱাই সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্নবা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৪শুবা মিনিটতা মোন্বী এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ সঞ্জিবনা টি এ ৱাই সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। টি এ ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৮শুবা মিনিটতা টি এ ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৮ কিরন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু টি এ ৱাই সীনা গোল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাখি। মিনিট ৭ কান্নরগা মেচকী ১৫শুবা মিনিটতা মোন্বী এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ অজোসনা টি এ ৱাই সীগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্তুনা অমুক গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট ৪ কান্নরগা মোন্বী এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ রোসন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। মেচ অদু মোন্বী এফ সীনা গোল ৩-২দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টি এ ৱাই সীগী মায়কৈদগী মোন্বী এফ সীনা গোল অমা মাঙজিল থানা চৎলিবা অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টি এ ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী য়াঙনা শান্নরকখি। মেচকী ২২শুবা মিনিটতা টি এ ৱাই সীগী মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ৩-৩দা অমুক ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টৈনমাসনা মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৪-৩দা অমুক মাঙজিল থানা চৎখি। মোন্বী এফ সীগী মায়কৈদগীসু টি এ ৱাই এ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম তকখৎতুনা শান্নরকখি। টৈনমাসনা চনখিবা গোল অদুগী ইকান কান্নদনা মোন্বী এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ সঞ্জিৎনা গোল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ৪-৪দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ অদু ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্নবগীদমক অহেনবা গোল চন্নবা এটেক মথং মথং চথনখি। অদুবু মেচকী ৩৫শুবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নখিদে। মেচকী অরোইবা মীকুপ্তা টি এ ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১১ বিরেনজিৎনা মহাক্কী টিমগী ৫শুবা গোল চনখি। বিরেনজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা টি এ ৱাই সীবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মোন্বী এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা টি এ ৱাই সীগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু টি এ ৱাই সী তাঙ্খম অৱাং লৈকায়না মোন্বী এফ সী খুন্দ্রাকপমবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা স্কাই সিনাম অমসুং ৱাই এস এ চীংখু শান্নগদবনি। অদুবু স্কাই সিনাম লাক্তবদগী ৱাই এস এ চীংখুনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক্তা লকি ষ্টারনা পি ৱাই ৱাই দি এগা অমসুং বোলেরো এফ সীনা মঙাল একাদেমিগা শান্নগদবা মেচ অদু খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোকখ্রে হায়রি।



## ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টনা সচাল্কপু মায়থীবা পীরল্লগা জর্ম্মন কপকী ফাইনেলদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কা থেংননবা শেম শাখ্রে



বর্লিন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) : ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টনা সচাল্কপু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীরল্লগা জর্ম্মন কপকী ফাইনেলদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কা থেংননবা শেম শাখ্রে।

য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্ট অমসুং সচাল্কনা জর্ম্মন কপকী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ শান্নখিবনি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী টিম অনীমক্না ফাইনেল য়ৌনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতমদা বোল অদু ফিল্ডগী ময়ায়দা লৈখি। অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈদা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টকী কেবিন প্রিন্স বাওটেং থাই ইঞ্জুরি লৈখিবনা মেচতগী পোথাহনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু টিম অনীমক্না চেকশিন ফিরেপ লৌনরগা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফকী তঙ্খাই চল্লক্লবা মতুং মেচকী ৭৪শুবা মিনিটতা লুকাজোভিক্লা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টনা মাঙজিল থাহনখিবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অথেংবা শরুক্তা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী মাঙজিল থারল্লিবা গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক সচাল্ককী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরকখি। গোল হন্দোক্নবা সচাল্ককী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিং দিফেন্দ তৌনবা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টনা অঙম্বা থাক্তা শান্নখি। মেচকী ৮১শুবা মিনিটতা লিওন গোরেস্কাদা ফাওল তৌরুবগী ফ্রেঙ্কফর্টকী জেলসন ফর্ণান্দেজ রেদ কার্দ পীদুনা মেচতগী মপান থোকহনখি। মেচকী অথেংবা শরুক অদুদা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোয় ১০খক্লা সচাল্ককী এটেকশিং অদু থেঙ্গাইনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা সচাল্কনা শান্নরোয় ১০খক্তা ঙাইরবা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীহৌখি। লুকাজোভিক্লা চনখিবা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টপু গোল ১-০দা মায় পাকহল্লগা ফাইনেল য়ৌহনখিবনি।

জর্ম্মর্ন কপ অসিগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা থোমাস মুল্লর, রোবার্ট লিৱানদাওস্কি অমসুং থিয়াগো অলকেনটরানা চনখিবা গোলশিংনা বেয়র্ন ম্যুনিক্লা বেয়র লিবরকুসেনবু গোল ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা জর্মন কপগী ফাইনেল চঙখিবনি। বেয়র্ন ম্যুনিক্ক া মখোয়গী ফ্যুচর কোচ ওইগদৌরিবা নিকো কোভাকি টিম ইনত্রেক ফ্রেঙ্কফর্টকা মে ১৯দা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

## দেবিদ গোফিন অমসুং আলেকজেন্দর জাৱ্রেব মোন্টে-কার্লো মাষ্টরসকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে





মোন্টেকার্লো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি): বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অমসুং জর্ম্মনগী আলেকজেন্দর জাৱ্রেব মোন্টে-কার্লো মাষ্টরসকী ক্বার্টর ফাইনেলগী ষ্টেজ য়ৌখ্রে।

মোন্টে-কার্লো মাষ্টরসকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১০ ওইরিবা গোফিন্না স্পেনগী রোবার্টো বাওষ্টিতা অগটকা শান্নখি। পুং ১গা মিনিট ৪১ রোম চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা দেভিদ গোফিন্না রোবার্টো বাওষ্টিতাবু ৬-৪, ৭-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। গোফিন্না মহাক্কী কেরিয়রদা রোবার্টো বাওষ্টিতাগা মরিরক শান্নবগী মনুংদা ঙসি অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। দেবিদ গোফিন্না ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী ফিলিপ কোলসক্লেবর নৎত্রগা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোবকা থেঙ্গাইনরগনি।

রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী অতোপ্পা মেচ অমদনা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ আলেকজেন্দর জাৱ্রেব অমসুং জান নিনাদ ষ্ট্রফ শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্ননখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আলেকজেন্দর জাৱ্রেবনা জান নিনাদ ষ্ট্রফপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। আলেকজেন্দর জাৱ্রেবনা মিসকা নৎত্রগা ফ্রেঞ্চমেন রিচার্দ গাসকেটকা থেঙ্গাইনরগনি।

মোন্টেকার্লো মাষ্টরসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতনা দোমিনিক থেম অমসুং নোভাক জোকোভিক শান্নখি। মেচ অদুদা ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট অনীরক হন্না ওইবা ঙমখ্রবা দোমিনিক থেমনা নোভাক জোকোভিকপু ৬-৭ (২-৭), ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মঙাশুবা সীদতা লৈরিবা অষ্ট্রিয়ন দোমিনিক থেমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রফেল নদালগা থেংনরবা য়ানা লৈরি। করিগুম্বা রফেল নদালগা থেংনদ্রবদি রসিয়ন কারেন হচানোক্লা থেঙ্গাইনগনি। মোন্টেকার্লো মাষ্টরস অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা অনীশুবা সীদতা লৈরিবা ক্রোসিয়াগী মেরিন সিলিক অমসুং স্পেনগী ফর্ণান্দো বর্দাস্কো শান্নখি। পুং ১গা মিনিট ৩৩ রোম চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবা মেরিন সিলিক্লা ৱর্ল্ড নম্বর ৩৭ ফর্ণান্দো বরদাস্কোবু ৬-৩, ৭-৬ (৪) দা মায়থীবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। সিলিক্লা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী মেচ ওইনা কনাদাগী মিলোস রাওনিক্কা শান্নগদৌরিবনি। মিলোস রাওনিক্লা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী মার্কো চেচিনাতোবু ৭-৬ (৫), ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী ষ্টেজ য়ৌরকখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা দেভিদ গোফিন্না হায়খি, ঙসিগী মেচ অসি রোবার্টো বাওষ্টিতাগা শান্নখিবা মেচ অদু য়াম্না অরাইবা মেচ হায়বদুমক্তি ওইখিদে। অদুবু মেচ অসি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অসিদা অপেনবা পোকই হায়খি।